# ৱেষ্ট ইন্দিসপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা য়ুম্বু ইংলেন্দগী টিম আই সি সি ৱর্ল্ড কপকী পোইন্ট টেবলদা ২শুবা থাক্তা হায়গৎখ্রে

ICC CRICKET WORLD CUP
ENGLAND & WALES
2019



সাউথমটন, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ
ঙসি ইংলেন্দগী সিটি সাউথমটনদা লৈবা রোজ বাউ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৯ শুবা মেচতা য়ুম্বু ইংলেন্দনা ৱেষ্ট ইন্দিসপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা ২শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা ৱেষ্ট ইন্দিসকী টিম মেচ ৩ শান্নখিবদা ১ মায় পাক্লগা, মেচ অমা মায়থীবা নংখিবা অদুগা মেচ অমনা রিজলট লৈখিদবদগী পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরিবনি। অরোমদা ইংলেন্দগী টিম মেচ ৩ শান্নবদা অনী মায় পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনা লৈখি।

রোজ বাউল ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অদুদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ইওন মোগননা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইংলেন্দগী বোল্লরশিং অদুনা রোজবাউলগী পিটচ অদুগী খুদোংচাবা মপুং ফানা লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিসকী ইনিংস হৌদোরকখিবা ওপনর ইবিন লেবিস ৩শুবা ওভরদা শুপ্নগী রন ২খক লৌরগা আউট ওইখি। মতম অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিসকী স্কোর বোর্দতা রন ৪ খক লৈখি। নৌনা চঙলকখিবা বেটচমেন সাই হোপ অমসুং অতোপ্পা ওপনর খৃস গেলনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৫০ হাপচিনবা ঙমখি।

ৱর্ল্ড কপ অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি হায়না মীয়াম্না থাজনদুনা লাকখিবা ৱেষ্ট ইন্দিসকী ওপনর খৃস গেল ১৩ শুবা ওভরদা বোল ৪১ মায়োক্নরল্লগা রন ৩৬তা আউট ওইখি। মহাক্কী ইনিংস অদুদা সিক্স ১গা ফোর ৫ য়ৈরমখি।

খৃস গেলগী মহুৎ নিকোলাস পুরানননা শীল্লকখি। গেল আউট ওইখিবা মতুং থংনবা ওভরদ সাই হোপ রন ১১দা আউট ওইখি। ১৪শুবা ওভর অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিসগী মকোক থোংবা বেটচমেন ৩ আউট ওইখিবদা রন ৫৫খক লৈখি। সাই হোপকী মহুৎ ৱেষ্ট ইন্দিসকী ৫শুবা বেটচমেন সিমরোন হেটমরনা শীল্লকখি।

৪শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা হেটমর অমসুং পুরানননা রন ৮৯ হাপচিন্দুনা ৱেষ্ট ইন্দিসকী ইনিংস অদুগী স্কোর ৩০শুবা ওভরদা রন ১৪৪ লৈখি। সিমরোন হেটমর বোল ৪৮ মায়োক্নরল্লগা ফোর ৪ য়ৈরদুনা রন ৩৯দা আউট ওইখি।

টিম অদুগী কেপ্টেন জেসন হোল্ডর শান্নবা চঙলকখি। মহাক রন ৯দা আউট ওইখি। ৭শুবা বেটমেন এন্দ্রি রসেল অমসুং নিকোলাস পুরানননা ৬শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপতা রন ৩২ হাপচিল্লগা টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ১৮৬তা রসেল বোল ১৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১ য়ৈরল্লগা রন ২১দা আউট ওইখি।

৮শুবা বেটচমেন কার্লোস ব্রাটৱাইটেনা ইনিংস শেমগৎনবা হোৎনরকপদা ৱেষ্ট ইন্দিসকী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজখিবা নিকোলাস পুরান বোল ৭২দা রন ৬৩ লৌরলম্বা আউট ওইখি। মহাক্কী ইনিংস অদুদা সিক্স ১গা ফোর ৩ য়ৈরমখি।

নিকোলাস পুরান আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকপা সেল্ডন কোত্রেন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। লোয়নননা কার্লোসু রন ১৪দা আউট ওইখ্রবা মতুং ১১শুবা বেটচমেন সেনন গ্রেবেলসু রন লৌদনা আউট ওইখিবদগী ওভর ৪৫গী ৪শুবা বোলদা ৱেষ্ট ইন্দিসকী বেটচমেন ১০ আউট ওইরগা রন ২১২দা ইনিংস লোইশিনখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী জোফ্রা আর্চর অমসুং মার্ক ৰুদনা ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। লোয়নননা জো রুটকী মায়কৈদগী ৱিকেট ২ অমসুং খৃস ৱোক্স অমদি লিয়াম প্লুনকেটনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেচ অদু মায় পাক্না রন ২১৩গী টার্গেট অদু ইংলেন্দনা ৩৪ শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ২ খক আউট ওইরগা য়ৌবা ঙমদুনা মেচ অদু মখোয়না ৱেষ্ট ইন্দিসপু ৱিটেক ৮দা থোইখি।

ইংলেন্দগী ইনিংস জোনি বার্ষ্টো অমসুং জো রুটনা হৌদোরকখি। মখোয়গী অনীগী ইনিংস অদু পুন্না ওভর ১৫ ফাওবা শান্নবা ঙমখি। ওপনর ওইখিবা জোনি বার্ষ্টো ১৫ শুবা ওভর ৪শুবা বোলদা ফোর ৮ য়ৈরল্লগা রন ৪৫দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ খৃস ৱোক্সনা শান্নবা চঙলকখি।

ৱোক্স অমদি জো রুটনা য়াম্না মরু ওইবা ইনিংস অমা পুখৎলকখি। মখোয়না ২শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক মায় পাকপগী রন অদু য়ৌবগা লোয়নননা মখোয়গী পার্টনর্সিপ অদু রান ১০৪ অপুনবা স্কোরদা হাপচিনখি।

খৃস ৱোক্স রন ৪০ লৌরল্লগা আউট ওইখ্রবা মতুং বেন ষ্টোক্স চঙলকখি। মহাক্না জো রুটকা লোয়নননা য়াম্না ফজবা ইনিংস শেমগৎতুনা ৱেষ্ট ইন্দিসনা লৌরম্বা রন ২১২দগী রন অমা হেল্লগা ৩৩শুবা ওভর অহানবা বোলদা মায় পাকপগী রন অদু লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিসপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি।

আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ডকী হয়েং মেচ অনী লৈগনি। অহানবদা শ্রীলঙ্গা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া লম্বা তৌনরবা মতুং সাউথ অফ্রিকা অমসুং অফগানিষ্টাননা অনীশুবা মেচ শান্নরবা মতুং থা অসিগী ১৬তা মীয়াম্না ঙাইনরিবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান শান্নরগনি।

| Teams | Mat | Won | Lost | Tied | NR | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|
| New Zealand | 4 | 3 | 0 | 0 | 1 | 7 |
| England | 4 | 3 | 1 | 0 | 0 | 6 |
| Australia | 4 | 3 | 1 | 0 | 0 | 6 |
| India | 3 | 2 | 0 | 0 | 1 | 5 |
| Sri Lanka | 4 | 1 | 1 | 0 | 2 | 4 |
| West Indies | 4 | 1 | 2 | 0 | 1 | 3 |
| Bangladesh | 4 | 1 | 2 | 0 | 1 | 3 |
| Pakistan | 4 | 1 | 2 | 0 | 1 | 3 |
| South Africa | 4 | 0 | 3 | 0 | 1 | 1 |
| Afghanistan | 3 | 0 | 3 | 0 | 0 | 0 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৬

১) MURA হায়না খঙনবা শান্নবগা মরী লৈনবা লুপ অমা কুমজা ১৯৩৯দা শেমখি। মসিগী ওফিসতী মপান কাংজৈবুংগী ময়াদা লৈরম্মী। MURA গী ফুল ফোর্ম পীয়ু।

২) য়ুরোপ মচা অমনা ওলিম্পিক্কী Speed Skating গী থৌরম অমদা সনাগী মেদল লৌখি। মহাক ওফিস অমদা Secretary ওইনা থবক তৌই। মহাক্না ওফিস কাবদা SKAT তোংলগা চৎলি।

৩) YURI BILONOH (Ukrain) অমসুং ADAM NELSON (USA) না কুমজা 2004 দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী নুং হুনবা তান্নবদা মিটর 2:16 চপ মান্ননা শাংনা লংই। মদুদা YURI BILONOH দা সনাগী মেদল পীখি। করিগীদমক মঙোন্দা সনাগী মেদল পীরিবনো?

৪) করম্বা লৈবাক্তা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমবু সরকারনা য়ুম নত্রগা লম মচেৎ অমা পীবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী সিবপাল দাইমন্দ লিগকী অহানবা কম্পিটিসনদা ৮শুবা পোজিসন তাখ্রে

ওস্লো, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা জেবিলিন থ্রোৱর সিবপাল সিংহনা ঙরাং নোৱেগী সিটি ওস্লোদা পাঙথোকপা বিসলেট গেমসকী মনুং চনবা দাইমন্দ লিগকী জেবলিন থ্রোগী ইভেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপদা ৮ শুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।



ইন্দিয়াগী এথলিট সিবপাল সিংহনা ঙরাং দাইমন্দ লিগ অদুদা নুপাগী জেবলিন থ্রোগী ইভেন্ট অদু মিটর ৮০.৮৭ লংলগা ৮শুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াই, মশাগী চহী ২৩ শুরবা উট্টর প্রদেশকতগী হৌরকখিবা এথলিট সিবপাল সিহংনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকপা এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ৮৬.২৩ লংদুনা মহাক মশাগী পাসর্নেল রেকোর্দ অমা থমখিবগা লোয়নননা সিলভর মেদলসু ফংখি। অদুবু ঙরাংগী দাইমন্দ লিগ ইভেন্ট অদুদা সিবপাল সিংহনা মহাক মশাগী লৈরিবা পাসর্নেল রেকোর্দ অদু য়ৌগদবা মিটর ৬ হেন্না ৱাৎখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা মহাক্না ইভেন্ট অদুগী রাউন্দ ৩দা মিটর ৮০ লাম্থোকপা ঙমখ্রবসু খ্বাইদগী শানবা অদু ৮০.৮৭ ওইখি। ঙরাংগী কম্পিটিসন অদুদা জর্মনিগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন জোহেন্স বেটরনা মিটর ৮৫.২৭ লংগা গোল্ড লৌখি। ইষ্টোনিয়াগী মেগনস কর্টনা ৮৪.৭৪ লংলগা সিলভর অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা এসিয়ন চেম্পিয়ন অমসুং এসিয়াগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা চাইনিজ টাইপৈগী সাউসুন শেংনা মিটর ৮৪.৩০ লংলগা লৌখি।

পনবায়াই, ইন্দিয়াগী নম্বর জেবলিন থ্রোৱর নিরস চোপ্রা শোকপদগী রিহেব্লিটেসন তৌবা মরম্না ঙরাংগী ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাক্না হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা মিটর ৮৮.০৬ লংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্স অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেস মার্সিদিস কপকী দবলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

MercedesCup





ষ্টুটগার্ট, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ
জর্মনিগী সিটি ষ্টুগার্টতা পাঙথোক্লিবা ষ্টুটগার্ট ওপন হায়নসু খঙনবা মার্সিদিস কপ এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্স অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেস ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী নম্বর সিদেদ পেয়র ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্সনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওলিবর মরাক অমসুং জুর্গেন মেলজরবু য়াম্না লেঙ মান্নবা মেচ অদুদা সেট ৩ চঙনা লম্বা তৌরগা মায় পাকখি।

অহানবা সেটতগী হৌরগা মায়কৈ অনীমক লাকশিন্নবা ঙম্ন খিদে। গেম ১২ লোইবা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুদা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ব্রাজিলগী পেয়র অদুনা ৭-৪দা থোইরগা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা ওষ্ট্রিয়াগী পেয়র অদুনা ব্রাজিল অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র অদুবু গেম ৭-৫দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নরগা লৈখি। অহুমশুবা সুপর টাইব্রেক্তা গেম ১০ য়ৌবা হানবা তান্নবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্স অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেসনা ১০-৬তা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মখোয়না ফাইনেলদা ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলগী ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং কানাদাগী সাপোভালোপ লোয়নননা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র নিক কিরগিয়োস অমসুং এম রিট অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা কানাদাগী শান্নরোয় অনী সেমি ফাইনেল থেংনরগনি। মিলোস রাউনিক্না লৈবাক অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এফ ওগর অলিসিমেগা থেংগদৌরিবনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা ইটালিগী এম বেরিটেনি অমসুং জর্মনিগী জে এল ষ্টুফকা শান্নরগনি।

# লৈবাক ৮গী ইনভাইটেস্নেল য়ু ২১ হোক্কিদা স্পেনগী জুনিয়র হোক্কি টিমনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে



মাদ্রিদ, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ
স্পেননা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি মাদ্রিদতা পাঙথোকপা চহী ২১ মখাগী ইনভাইটেস্নেল হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি'গী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিম অদুবু স্পেননা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পনবা য়াই, থা অসিগী ১০দগী চহী ২১ মখাগী লৈবাক ৮গী নুপাগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা লম্বা তৌনরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'বি'গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমবু স্পেনগী টিম অদুনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী ওইনা অরোইবা মেচ ওইখি। নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ১০দা ইন্দিয়াগী গ্রুপ 'বি'গী অহানবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ০-৪দা মায়থীহৌখি। মদুগী মতুং জুন ১১দা শান্নখিবা গ্রুপকী অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়াবু নেদর্লেন্দসনা পাঞ্জল ৩-২দা থোইরমখি।

ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা স্পেনগা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফতা টিম অনীমক লম্বা মান্নরকখি। হাফ অদু পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ২শুবা হাফকী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী প্রতাপ লক্রানা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাংজিল থাখি। অদুব স্পেনগী মায়কৈদগী ৩৫ শুবা মিনটতা ইগনেসিয়ো কোবেসনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। মদুগী মতুং মহাক্কী টিমমেট সিজর কুজিয়র অমসুং গোঞ্জালো কুইজানোনা মথং শীৎনা ৩৭ অমসুং ৩৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ইন্দিবু ৩-১দা থোইখি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম অমসুং বেলারসকী সেনিয়র হোক্কি টিম পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



বরানোবিচি, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম্না বেলারসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম্না মেচ মঙাগী সেরিজ অমা শান্নবগী মনুং চন্না ঙসি লৈবাক অদুগী সেনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি টিমগা শান্নখিবা সেরিজ অসিগী ৪শুবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু য়ুম্বু লৈবাক অদুগা পাঞ্জল ১-১ দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম অসিনা থা অসিগী ৯দগী মেচ ৫গী হোক্কি সেরিজ অদু শান্নবা হৌখিবনি। অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম অদু বেলারসকী সেনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি টিম্না পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচ অদু জুনগী ১০দা শান্নবদা মণিপুরগী থৌদাম সুমনন কেপ্তেন ওইরগা খারিবম বিচুন গোলকিপর ওইখিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা বেলারসকী জুনিয়ন ৱুমেন্স হোক্কি টিম অদুবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা সেরিজ অদুদা মেচ ১-১দা লৈনখি।

থা অসিগী ১২দা শান্নখিবা অহুমশুবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অসি বেলারসকী সেনিয়র টিম্না পাঞ্জল ৪-১দা থোইরগা সেরিজ অদু বেলারসনা মেচ ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লম্বা পীরকখিবদা বেলারসকী সেনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি টিম অদুগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা মেচ ৫গী সেরিজ অসি ইন্দিয়ানা হয়েং বেলারসকী দিভলপমেন্টেল টিমগা শান্নগদবা মেচ অদুদা মায়পাকপা ঙল্লবদি সেরিজ অদু দ্রো চৎপা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

মেচ ৫গী সেরিজদা বেলারসনা মেচ ২ থোইবা ঙল্লি। অদুগা ইন্দিয়ানা মেচ অমা থোইরগা ঙসি মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎলিবনি। হয়েংগী মেচ অদু করিগুম্বা ইন্দিয়ানা মায়পাকপা তারবদি মেচ ৫গী সেরিজ অদুদা লৈবাক অনীনা মেচ ২/২ মায়পাক্লরগা মেচ অমা দ্রো চৎপা মরম্না সেরিজ দ্রো চৎলে হায়গদৌরিবনি।

ঙসি ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিম অদুনা বেলারসকী সেনিয়র হোক্কি শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনখিবা অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মেচ অমা ওইখি। মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র শান্নরোয়শিং অদুনা বেলারসকী সেনিয়র টিম অদুবু দিফেন্সতা লৈহল্লগা এটেক্ট কয়া চথবা ঙমখি।

এটেক্ট কয়া চথবা ঙল্লবসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা ফংবা ঙমদনা মেচকী অহানবা ক্বার্টর অদু লোয়শিনখি। মেচকী অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ বেলারসকী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা টিম অদুগী য়ুলিয়া মিখেচিক্না ২৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন্স টিম্বু পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না খোংলৈ থুনা ক্বার্টর অদুমক্তদা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু অম্মুক লম্বা মান্নদুনা লৈখি। পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংদুনা খুদোংচাবা অদু ফংদুনা গগনদিপ কোরনা পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা ১-১দা লৈনখি।

মেচকী লেমহৌবা অপীবা মিনট ৩০গী ক্বার্কর অনীদা বেলারসকী শান্নরোয় অমদিই ন্দিয়গী শান্নারশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। লোয়নননা বেলারসকী সেনিয়র হোক্কি শান্নরোয়শিংনসু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

ইন্দিয়া অমসুং বেলারসকী হোক্কি সেরিজ অদুগী অরোইবা মেচ অদু হয়েং লৈবাক অদুগী দিভলপমেন্ট টিমগা লম্বা তৌনরগা সেরিজ অসি লোয়শিল্লগনি।

# ইন্দিয়াগী অনন্দ য়ু এসকী ফাবিয়ানো করোনাগী মখুৎতা মায়থীখিদুনা অল্টিবোক্স নোৰ্বে চেছ টুর্নামেন্টকী পোজিসনগী খুদোংচাবা মাংজখ্রে



ষ্টাবেনগর, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ
নোৰ্বেসিগী সিটি ষ্টাবেনগরদা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা চহী অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা চেছ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অল্টিবোক্স নোৰ্বে চেছ টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন অনন্দ য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনাগী মখুৎতা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক মথং তাবগী পোজিসনগী খুদোংচাবা লৈখিদ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৭ শুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা ক্লাসিকেল গেম অদুদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবা বিশ্বানথন অনন্দ অমসুং য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনাগা দ্রো চৎখি। অদুবু রাউন্দ অদুগী অনীশুবা গেমদা অর্মাগেদন মশান্নদা অনন্দ করোনাগী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবদগী শান্নরোয় ১০গী লম্বাদা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৭শুবদা লৈখিবদগী পোজিসনগী খুদোংচাবা মাংখিবনি।

য়ুম্বু লৈবাক নোৰ্বেগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ অমসুং চেম্পিয়নসু ওইরিবা মেগনস কার্লসননা য়ু এস এগী ৱেস্লিসোবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবগা লোয়নননা লেমহৌবা রাউন্দ অনীদা দ্রো চৎলবসু মহাক্না টাইটল ফংলগনি।

পোইন্ট ৯ ফংলগা অর্মেনিয়াগী শান্নরোয় লেবোন অরোনিয়ন লৈরি। মহাক্না ঙরাং চাইনাগী শান্নরোয় য়ু য়াঙ্গিবু মায়থীবা পীখি। অমরোমদা চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোয় দিং লিরেননা অজরবৈজানগী শাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোপপু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৭ মখাই ফংলগা য়ু য়াঙ্গিগী পোইন্ট ৮ মখাই অদুদগী হন্থরগা ৪শুবদা লৈরি।